৪রক শুবা লেট কৈশাম বাবু মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ

এফ সী কুম্বীনা এস ৱাই সী সগাং মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচ এন এস):

দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন (দি এফ এ) মোইরাংনা শীন্দুনা মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লেগ্রাউন্দদা এস ৱাই সী (সগাং), এ কে এস এ (ক্বাক্তা), ঈ এল এস এ (নরানসৈনা), পি ৱাই দি (ক্বাক্তা), এম এ আর দি ক্লব (মোইরাং) অমদি এফ সী কুম্বী পূন্না টিম ৬না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৪শুবা লেট কৈশাম বাবু সিংহ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২২-২৩গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এফ সী কুম্বীনা এস ৱাই সী সগাং মায়থীবা পীখ্রে।

নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদগী হৌরগা টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা এফ সী কুম্বীগী শান্নরোয়শিংনা খরা হেন্না লাকচনা শান্নবা ঙমখিবদগী মেটচ অদুগী ২৯শুবা মিনটতা কে ঐচ য়াইফবনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এস ৱাই সী সগাংদগী পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনা মখা তানা এফ সী কুম্বীগী শান্নরোয় দল্লিয়ু য়াইফবা অমসুং এস সুমিটনা পাঞ্জল অমমম্ চনবা ঙমখি। অদুমওইনমক মেটচ লোইবা ফাওবদা এস ৱাই সী সগাংগী ওইনা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু এফ সী কুম্বীনা পাঞ্জল ৩-০দা লায়না মায় পাকপা ঙমখিবনি।

উবর কপ : ইন্দিয়া চাইনাগী মখূৎতা ৫-০দা মায়থীবা নংখ্রে

চেংদু, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী):

চাইনাগী চেংদুদা পাঙথোক্লিবা উবর কপতা ইন্দিয়াগী নুপী বেদমিন্টন টিমনা গ্রুপ এগী ওইনা মায়োক্নরিবশিং মায়থীবা পীদুনা লাকখ্রবা মতুং ঙসি চাইনাগা শান্নখিবদা চাইনাগী মখূৎতা ৫-০দা মায়থীবা নংখিবদগী গ্রুপ এগী ওইনা অনীশুবা মফমদা লৈখ্রে।

চাইনাগী মখূৎতা মায়থীবা নংখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী শট্লর ইসারানীনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি শান্নখিবা মেটচশিং অদুগী ওইনা মহাক মশাগী ওইবা অশোয়বা খরা য়াওখি হায়না থাজে অদুবু মখোয়না লম্বা তৌনরিবা চাইনাগী শট্লরশিং ৱর্ল্দ রেঙ্কিংদা মখোয়দগী কা-হেন্না থাক ৱাংনা লৈবা শান্নরোয় ঙাক্তনি। মদুনা মরম ওইরগা চাইনাগী শান্নরোয়শিংগা লম্বা তৌনখিবা অদুদা মশাদা পাখৎপা পোকখি। চরাংনবা ৰাখল্লোন অমগা লোয়ননা শান্নখিবা অদুনা মরম ওইরগা মহাক্কী মশান্নদা অশোয়বশিং য়াওখিবা ওইগনি হায়না থাজৈ হায়খি। পনবা য়াবদি, মণিপুরগী প্রিয়া কোঞ্জেংবম অমসুং শ্রুতি মিশ্রাগী পুংবাসু মায়থীবা নংখিবনি।

সেরি এ : জেনোৱানা থোইখ্রে

রোম, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী):

ইটলিদা হৌজিক চথরিবা সেরি এ সিজনগী ওইনা ঙসি জেনোৱা অমসুং কেগ্লিয়ারিগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা জেনোৱানা কেগ্লিয়ারিবু মায়থীবা পীখ্রে।

ইটলিগী জেনোৱাদা লৈবা লুইগি ফেরারিস ষ্টেদিয়মদা ঙসি টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা জেনোৱাগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবদগী জেনোৱানা মেটচ অদু পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাকখিবনি। জেনোৱাগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ১৭, ২৭ অমসুং ৬৩শুবা মিনটতা মথংশিংনা মোর্টেন থোর্স্বি, মোর্টেন ফেনরুফ অমসুং অলবর্ট গোমুদসননা অমমম্ চনখিবনি।

সিজন অসিগী ওইনা ইন্টর মিলাননা পোইন্ট টেবলদা খ্বাইদগী মকোক থোংনা লৈরি।

[illegible]

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯳꯰ (ꯑꯦꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ):

[illegible]

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু)

‘মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম’

লান অসি লোইশিল্লসি

(৫১৮)

লান অসি চহী ১ ফারে লোইরগনি হায়বগী মমিসু উদে, ভোটসু পীথোকখ্রে, ঐখোয় হৌজিক করি তৌগনি, করি ঙাইখিগনি? ঐখোয়সু থৌ ইশা শাদবগী মওং অমদা লৈরি। ৱাজবা খরনদি পংৱাদা ৱাবীদুনা মথ্বায় খূবাক্তা হাপ্তুনা লানসি কন্না থেংনবীরি। মসিগী মওং অসিনদি ওইবা য়ারোই। হৌজিক থেংনরিবা লানগী মওং অসিনা চহী ৩০ থেংনরবসু ৱারোইশিন পুরকপদি ঙল্লোই হায়বসি থাজবীয়ু। মরমদি ঐখোয়না কুকি মিলিটেন্টশিংবু তুম্না হাৎপা ঙল্লোই। মখোয়নসু ঐখোয়গী খুল ঙাকপশিং তুম্না হাৎপা ঙল্লোই। হাৎনরগা, নোংমৈ কাপ্পরগা লানসি লোইশিনবা য়ারোই, অপঙবগী থবক তাদুনা তোক্কনি। ঐখোয়না থেংনগদবদি ইন্দিয়া লৈঙাক্তা ওইনা অকন-অকনবা প্রেসর কয়া অখঙ-অহে কয়াগা তানরগা হৌগদবনি। লান অসি মখোয়না লোইশিনহনগে হায়বা মতমদা লোইশিনবা য়াবা লান মখল অমনি, মখোয়না শান্নবা ভুটনি। ঐখোয়গী লুচিংবশিংসিদা ওইদ-পাদা খরা হায়জিল্লগা নাথৈরগা থন্বনি। ঐখোয়গী লুচিংবশিংসিনসু অকনবা ৱা ঙাংবা ঙমদবদগী মখোয়গী লাংদা থুখিবদগী লানসি শাংথখিবনি। হৌজিক ঐখোয়না তৌরিবা অসিদি ইন্দিয়া লৈঙাক্না ঐখোয়বু অপঙবা শীবনি, মখোয়না শোয়দনা নোক্লিংলমগনি খল্লুবদা ঐদি ওস্থোক্লা ইকাইজখ্রে। অসুক লুখ্রবা লান অদুগা অসুক তমথীখ্রবা লানসি ঙসি ফাওবদা লোইশিনবা য়াবগী ঐখোয়গী খোঙথাং ইয়াও য়াওদবগী মওং অমা উই। হান্নদি থৌনা লৈরবী ইমা য়াম্না উরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি থৌনা লৈবী মতিক চাবী ইমা খরখক উবা ফংজে। মখোয়গী মতৌ তমজনিংঙাই ওই হায়জনিংই। অদুগা অমনা ইমাশিং অসিনা লম-লমদা চৎপীরগা পাউতাক খরা-খরসু পীহঞ্জনিংই। অদু নৎত্রগদি লৱাই লমসিদদি লানসি কাউখিগদৌ মাল্লে। মণিপুরগী কাচিন-কোয়াদা লৈনরিবা ঐখোয় পূন্নমক ৱাখল মান্নবা থৌনা লৈনা খোল্লাউ অমত্তা ওইনা লাউমিন্নদ্রিবা ফাওবা লান অসি লোইবগী মওং লৈতে। মরমদি মণিপুরগী লৈঙাক পায়রিবশিংসু কন্না হোৎনরি হায়রগসু ইন্দিয়া লৈঙাক্তদি অকনবা ৱা হায়বা ঙমদ্রে। মদুসু ঐখোয় ফজনা খঙই। অদুনদি লানসি লোৎশিল্লগা থন্বীরনু, মথি ফোংবীরো, অখঙ-অহে ময়াম অমা লৈরি, ঐখোয় পূন্না খন্নমিন্নরগা করি তৌসিগে হায়বদু খন্নবা ফম্রা হায়না খঞ্জে। লৈবাক অসি লৈঙাক পায়রিবা ওনরেবলশিং খক্তগী নত্তে। খঙ হৈরবা মীয়াম লাখ কয়ামরুমগীসুনি। ঐখোয়গী অনীংবা অপান্বসু ময়াম অমা লৈরি কাউবীগনু। মীয়ামগী অনীংবা অপান্বা খঙদনা তৌনিংবা তৌবা য়ারোই, পুনিংবা মায়কৈদসু পুখিবা য়ারোই। মরম অদুনা ইকাই খুম্নরিবা সী এমনা অখঙ-অহৈশিং, সী এস ওশিং, মীয়ামগী মীহুৎ খরা চেবাউ পীরগা ফোংনা অফ-ফত্তা, লেপকদবা ফিরেপশিং, তৌগদবশিং অদু মুন্না তানবনা অফবা ওইগনি খঞ্জে। ঐখোয় খঙজে লান অসি মণিপুর লৈঙাক খক্তগী পাঙ্গলনা ওইরোই, মীয়াম তানরগা তৌগদবনি। মসিনা তুংদা অফবা ওইগনি অমদি লানসু থুনা লোইশিনবগী মচাক অমা ওইগনি কাউবীগনু। অরোইবদা হায়জনিংবদি ইন্দিয়া লৈঙাক য়াম্না হৈ-শিংবা মরুওইনা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ ওর্গনাইজেসন য়াম্না হৈবা মিনিষ্টর অমনি। মহাক্না মণিপুরগী লালহৌলূপশিং নমথনবা হোৎনবদা কুকি মিলিটেন্টশিং শীজিন্নবগী মওংসু মাল্লি। হায়রিবা অসিদা ইন্দিয়ন আর্মিশিং শীজিন্নবগী মহুৎতা মণিপুরগী খূৎলায় পায়বা ইচিল-ইনাওশিং অসি ফ্রী মুভমেন্ট খরা তৌহল্লগা লান অসি লোইশিন্নবগী মিংদা কুকি মিলিটেন্টশিংগা থেংনৌ হায়বগী মওং অমসু মানবগুম তৌই। মখোয়না ইন্দিয়ন আর্মিসি য়াম্না পাম্মুনা থন্বগী মওংসু মাল্লি। মরমশিং অসি লৈবনা ঐখোয়গী খুল ঙাকপা ইচিল-ইনাওশিং অসিগা অঙাওবা কুকি মিলিটেন্টশিংগা কাপ্পরগা লৈরসনু, চহী কয়া অমা চঙগে চঙজরসনু, অদুম তৌরিঙৈদা ঐখোয়সু ঙাইহাক্তা পোখাগে হায়বগী মওংসু মাল্লি। মরম অদুনা ঐখোয় হৈ-শিংদবা য়াদে, চেকশিন্দবসু য়াদে, ৱা তানদবসু য়াদে, লাল্লোংসু হোংদবা য়াদবগী ফীভম অমদা লৈরে। হায়রোইদবা কয়া য়াওখ্রবসু ইরৈবাক কন্নিংবগী ৱাখলনা খরা ইজবনি। পূন্নমক্না ঙাকপীয়ু হায়না নোল্লুকচরি।

অদোমগী - জিনোকুমার লাইশ্রম

নিংথৌখোং অৱাং খুনৌ, # ৬০০৯৭৮৩৬৪২

ꯃꯤꯡ ꯍꯣꯡꯗꯣꯛ
NAME CHANGE

I, Waikhom Brojeshori Devi, legally wedded spouse of No. 10246363K, Rank : Lance Naik, Soibam Boynao Singh, presently residing at Thoubal Melaground, P.O. & District - Thoubal, Manipur, PIN- 795138, have changed my name from Soibam Brojeshori Devi to Waikhom Brojeshori Devi vide Affidavit/Self declaration dated 26/04/2024 before the Oath Commissioner, Manipur at Thoubal. My date of birth is 02/03/1994.

HL-P/10607/1

पेंशन निधि विनियामक और विकास प्राधिकरण
PENSION FUND REGULATORY AND DEVELOPMENT AUTHORITY

নোটিস

পেন্সন ফন্দ রেগুলেটরি এন্দ দিভলপমেন্ট ওথোরিটি (পি এফ আর দি এ)গী ওফিস এদ্রেস হোংবগী মতাংদা খঙহঞ্জবা

পি এফ আর দি এগী অনৌবা ওফিস ০১.০৪.২০২৪. দগী মখাদা পীরিবা অনৌবা ওফিস এদ্রেস অসিদা হোংজিল্লগনি:

পেন্সন ফন্দ রেগুলেটরি এন্দ দিভলপমেন্ট ওথোরিটি
ঈ-৫০০, টাৱর ঈ, ৫শুবা মথোল,
ৱর্ল্দ ট্রেদ সেন্টর,
নাওরোজি নগর,
ন্যু দেল্লী-১১০ ০২৯
ফোন নং.- ০১১ -৪০৭১৭৯০০

মথক্তা পনখ্রিবা অনৌবা এদ্রেস অসিদা ওথোরিটিশিং কন্টেক্ট তৌবা য়াগনি।

ইনফোর্মেসন অসি এন পি এস আর্কিটেকচরগী ষ্টেকহোল্দরশিং অমদি জেনরেল পব্লিককীদমক্নি।

এস দি/-
চীফ জেনরেল মেনেজর
এদমিন অমসুং ঐচ আর দিপার্টমেন্ট

অকুপ্পা মরোলগীদমক ঐখোয়গী ৱেবসাইট www.pfrda.org.in দা চঙবীয়ু নৎত্রগা ক্যু আর কোদ অসি স্কেন তৌবীয়ু

HL-B/8705/1

ꯄꯥꯡꯖꯤ ꯀ꯭ꯂꯥꯁ / পাঞ্জি ক্লাস

(থা ৩গী)

ক্লাস হৌজরগনি তাং ৫/৫/২০২৪ ফাওবদা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি। ক্লাস মতম নুংথিল। Course Fee- Instalment 2 দা পীবীবা য়াই। Computer Software নচিংবা শীজিন্নবা য়াওগনি।

Sd/- **শ্রী এ. শ্যামকিশ্বর সিংহ**
Mobile : 8974054629,
তাকয়েল কোলোম লৈকাই,
Montessori Kindergarden **মনাক**

HL-P/10047/1,3,4

ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯠ / NOTICE

Imphal, the 29th April, 2024

HCBAM(MCM)/2023-25/4/3: In supersession of the earlier Notice dated 24th April, 2024, it is hereby informed to all the Ld. Members of the High Court Bar Association of Manipur that its Annual General Body Meeting will be held on **19th May, 2024 at 10:30 a.m. (Sunday)** at the Auditorium of the High Court of Manipur to discuss the following agenda:

AGENDA:-

1. ***To place the Statement of Accounts, Audited balance Sheet, Income & Expenditure Account for the years, 2023-24.***
2. ***For approval of Bye-law of the High Court bar Association of Manipur.***
3. ***Misc with permission of the Chair.***

[N.B.: The Annual General Body meeting will be followed by "LUNCHEON"].

Sd/- L. Anand Singh
Secretary
High Court Bar Association of Manipur

HL-P/10604/1

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST, MANIPUR

Ref :- Mutation Case No. 61/SDC/SLG/IE-2024

1. Khaidem Nirmala Devi D/o Mahendra Singh of Khabam Lamkhai
2. Soram Memtama Devi W/o Sanayaima Singh of Achanbigei Mayai Leikai
} .60 acre of dag no. 18
3. Khaidem Avinash Singh S/o Bishworjit Singh of Khabam Lamkhai (.64 acre of dag no. 17)
4. Khaidem Tombinou Devi W/o Mahendra Singh of Khabam Lamkhai (.52 acre of dag no. 19)

- Petitioners

-Versus-

(Late) Khaidem Mahendra Singh, S/o (L) Mangi Singh of Khabam Lamkhai

- Opposite Party

ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯠ / NOTICE

Sagolmang, the 23/4/2024

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ঈ: ঈ: তহশিল খুল নং 6-Haraorou পাট্টা নং 36 (অরিবা) 145 (অনৌবা), দাগ নং 17,18,19 মোট এরিয়া 1.76 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে মরম অসিনা মথক্কী পিটিস্নর অসিনা মৃতু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা মখোয়গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃতু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা অইবা চেনা আপতি/ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Sagolmang, Imphal East

HL-P/10611/1

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG

Ref :- Mut. Case No. 73/SDC/M dt. 29/04/2024

1. Salam Ibomcha Singh S/o Late S. Sanajao Singh of Moirang Khunou Khongnang Makhong Leikai (0.157 acre in the south east)
2. Salam Pishak Singh S/o Late S. Sanajao Singh of -do- (0.157 acre in north east)
3. Salam Bijoy Singh S/o Late S. Sanajao Singh of -do- (0.157 acre in the south West)
4. Salam Mani Singh S/o Late S. Sanajao Singh of (0.159 acre in the north west).

-Vs-

Late Salam Sanajao Singh S/o Late Salam Mukta Singh of Moirang Khunou.

ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯠ / NOTICE

Moirang, the 29th April, 2024

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ৫৪-খা-থীনুঙ্গৈদা লৈবা পাট্টা নং ৭১১ অনৌবা, সী: এস: দাগকী নং ৩১৯৪ এরিয়া ০.৬৩ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: ওইখ্রবা পাট্টাদারগী মিংদা লৈবা লম অসি মৃ: পাট্টাদার মশাগী ইমুং-মনুং মচানুপা ৪ (মরি)গী মিংদা নামা ওনবীরো হায়না উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা হায়রিবা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্টতা আপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্তা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা কেস চথগনি।

Sd/- BC to Sub-Deputy Collector,
Moirang

HL-P/10612/1

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST - PATSOI

Ref :- Mut. Case No. 107/SDC/IW(P) of 2024

1) Maimom Prameshori Chanu, D/o Maimom Chaoba Meitei, W/o Khundrakpam Bidyacharan Singh of Langjing Achouba Awang Leikai.
2) Khundrakpam Bedajit Singh, S/o (L) Khundrakpam Kamini Singh of Langjing Awang Leikai. - Petitioners

-Vrs-

Late Khundrakpam Kamini Singh, S/o (L) Ibomcha Singh of Langjing Achouba. - O.P. Party

ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯠ / NOTICE

30th April, 2024

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ঈ:ও: পাৎসোই তহশিলগী খুল নম্বর 104-Langjing Achouba গী পাট্টা নং 322 (old), 176/530 (new) দাগ নম্বর 54/781 গী পোইন্ট .04001 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিংনা অমদি মচা-মশু, শাগৈ-নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 7/05/2024 ইংগী অয়ুক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Patsoi

HL-P/10613/1

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW:LAMSANG

Ref. :- Mutation Case No. 164/SDC/IW-L/2024

Khaidem Mangi Devi W/o (L) Kh. Shyam Singh of Moibung Khunou, Khurkhul.

-Vs-

Late Khaidem Shyam Singh S/o (L) Chaoba Singh of Moibung Khunou.

ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯠ / NOTICE

29/4/2024

U/S 46(3) of MLR & LR Act, 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার খাইদেম শ্যাম সিংহ পীতা মৃ: চাওবা সিংহ সাং মোইবুং খুনৌগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৪৬-ফুমলৌগী অনৌবা পাট্টা নং ৫৯ দাগ নং ৬৫ এরিয়া মৃ: পাট্টাদারগী শরুক ১.৫৬ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

Sd/- BC to Sub-Deputy Collector,
IW:Lamsang

HL-P/10603/1

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW:LAMSANG

Ref. :- Mutation Case No. 165/SDC/IW-L/2024

1. Bidyadhor Sagolshem S/o (L) Yaima Singh of Thangmeiband Polem Leikai
2. Sagolshem Geetanjali D/o (L) -do- of -do- -Petitioners

-Vs-

Late Sagolshem Ibomcha Singh S/o (L) Tomchou Singh of Thangmeiband Lourung Purel Leikai. -OP/Party

ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯠ / NOTICE

30/4/2024

U/S 46(3) of MLR & LR Act, 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার শগোলশেম ইবোমচা সিংহ পীতা মৃ: তোমচৌ সিংহ সাং থাংমৈবন্দ লৌরুংপুরেল লৈকাইগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৪৬-ফুমলৌগী অনৌবা পাট্টা নং ৬৩০ দাগ নং ২২৬৪ এরিয়া ২.৪২ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

Sd/- BC to Sub-Deputy Collector,
IW:Lamsang

HL-P/10605/1

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KHONGJOM

Ref. R.R. 534/SDC/KJM/2024
Dt. 30/04/2024

Lairenlakpam Ongbi Khomdonbi Devi, W/o (L) Lairenlakpam Shyamo Singh of Wangjing Wangkhei. - Petitioner

ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯠ / NOTICE

Khongjom, Dated : 30th April, 2024

Notice অসিনা খঙহল্লি মদুদি Lairenlakpam Ongbi Khomdonbi Devi W/o (L) Lairenlakpam Shyamo Singh of Wangjing Wangkhei P.O. Wangjing, P.S. Thoubal দা লৈবা অসি মহাক্কী লোয়নবী Lairenlakpam Ongbi Khomdonbi Devi অসি লৈখিদ্রবগী অশেংবা নুপীনি হায়দুনা Legal Wife Certificate পীবীয়ু হায়দুনা ঙসি Date 30/4/2024 দা SDC Khongjom Office, Khongjom দা Application থারক্লে। মরম অসিনা কনাগুম্বনা ওবজেক্সন তৌবীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ হুম্নি (3 Days) ফাওবগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC Khongjom Office অসিদা ওবজেক্সন তৌবীবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা লাক্রুবদি ওবজেক্সন ওফিস অসিনা লৌজরোই। হৌনবী মতুংইন্না Process মখা চথজগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Khongjom

HL-P/10614/1

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST - PATSOI

Ref :- Mut. Case No. 106/SDC/IW(P) of 2024

1) Khundrakpam Bedajit Singh, S/o (L) Khundrakpam Kamini Singh of Langjing Awang Leikai.
2) Khundrakpam Karnajit Singh, S/o (L) Khundrakpam Kamini Singh of Langjing Achouba Awang Leikai. - Petitioners

-Vrs-

Late Khundrakpam Kamini Singh, S/o (L) Ibomcha Singh of Langjing Achouba. - O.P. Party

ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯠ / NOTICE

30th April, 2024

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ঈ:ও: পাৎসোই তহশিলগী খুল নম্বর 104-Langjing Achouba গী পাট্টা নং 322 (old), 176 (new) দাগ নম্বর 54 গী পোইন্ট .055 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিংনা অমদি মচা-মশু, শাগৈ-নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 7/05/2024 ইংগী অয়ুক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Patsoi

HL-P/10613/1

IN THE COURT OF SDC/ IW/ PATSOI

Ref :- Mut. Case No. 108/SDC/IW(P) of 2024

Chabungbam Aruna Devi W/o (L) Chabungbam Kanta Singh of Langjing Achouba Awang Leikai. - Petitioner

-Vrs-

1. Late Chabungbam Kanta Singh S/o (L) Shantikumar Singh of Langjing Maning Leikai.
2. Chanbungbam Gopen Singh, S/o (L) -do- of -do-

- Opposite Parties

ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯠ / NOTICE

30/4/2024

Under Section 46(3) MLR and LR Act, 1960 মতুংইন্না মৃ: কো-পাট্টাদার নং (১) গা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংগী মফমদা পাউচেগী খূথাংদা খঙহঞ্জরি। ঈ:ও: পাৎসোইগী খুল নং ১০৪/লাংজিং অচৌবগী পাট্টা নং ৪৯৭/৬৪১ (অনৌবা)গী দাগ নং ৭৪৩/৮৮৪ (সিট-১) গী এরিয়া ০.০৫৫০০ একর চাওবা অঙনফৌগী মনুংদা য়াওবা কো-পাট্টাদার নং (১) অসি মৃ: ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবী দংকারিনি অসিনা মৃ: পাট্টাদার নং (১) মপুরোইবগী স্বর্ত্তদা অমদি দখলগী মতুংইন্না মৃ: পাট্টাদার নং (১) মপুরোইবগী মহুৎতা মহাক্কী মমিং নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপীনিংবা মৃ: কো-পাট্টাদার নং (১) গা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ৮/৫/২০২৪ ইং, গী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবীদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। অদুনা মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হুকুম চথরগনি।

Sd/- SDC/Patsoi

HL-P/10608/1

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HIYANGLAM

Ref :- Mutation Case No. 24/SDC/H Dt. : 29/04/2024

1. Mayengbam Inao Singh S/o Mayengbam Abhiram Singh of Wabagai Teraurak.
2. Mayengbam Brajamani Singh S/o Mayengbam Abhiram Singh of Wabagai Teraurak.
3. Mayengbam Ningol Haobam Ongbi Ibemma Devi W/o Haobam Premchandra Singh of Wabagai Teraurak. -Petitioners

-Vrs-

(Late) Mayengbam Bidhu Singh S/o (Late) Mayengbam Thambou Singh of Wabagai Teraurak. -O.P.P.

ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯠ / NOTICE

Kakching, the 30th April, 2024

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি হিয়াংলম তহশিল খুল নং: ৬৬-ৱাবগাই অনৌবা পাট্টা নং: ৭৩২ অরিবা পাট্টা নং ৩০৯ দাগ নং ২৫৯২গী লম হেক্টর .২৬৯০ চাওবা ইঙ্খোল লম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং কল্লগা উক্তা দংকারি মশুশিংগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা ওবজেক্সন তৌবিনিংবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্কুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজখ্রগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Hiyanglam

HL-P/10606/1

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST, MANIPUR

Ref :- Mutation Case No. 62/SDC/SLG/IE-2024

Maibam Rajesh Singh S/o Rajen Singh of Kyamgei Maning Leikai.
- Petitioner

-Versus-

(Late) Maibam Ram Singh S/o Manikanta Singh of Kyamgei
- Opposite Party

ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯠ / NOTICE

Sagolmang, the 29/4/2024

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ঈ: ঈ: তহশিল খুল নং 24-Keibi Heikak Mapal পাট্টা নং 44 (অরিবা) 130 (অনৌবা), দাগ নং 124 মোট এরিয়া .90 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে মরম অসিনা মথক্কী পিটিস্নর অসিনা মৃতু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃতু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা অইবা চেনা আপতি/ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Sagolmang, Imphal East

HL-P/10611/1

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, YAIRIPOK

Ref :- Mutation Case No. 173/SDC/YPK/2024 Dt. 30/04/2024

Parties :- 1) Thangjam Jogendra Singh S/o (Late) Nabachandra Singh of Ukhongshang Mamang Leikai.
2) -do- Kishan Singh S/o (Late) -do- of -do-
3) -do- Ajitkumar Singh S/o (Late) -do- of -do- - Petitioners

-VS-

(Late) Thangjam Nabachandra Singh S/o Shajao Singh of Ukhongshang.
- Opp

ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯠ / NOTICE

Date : 30/04/2024

Under Section 46 (3) of MLR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরশিংনা য়াইরিপোক তহশিল খুল নং ১১৮-উখোংশাং পাট্টা নং ১৪৯ অরিবা ২৬৪ অনৌবা দাগ নং ৮৬৪ এরিয়া .২৫৫০ হেক্টর ইঙ্খোল চাওবা অসিগী পাট্টাদার থাংজম নবচন্দ্রা সিংহ পী: শাজৌ সিংহ সাং উখোংশাংদা লৈবীরম্বা অসি মৃতু ওইখ্রে হায়ররে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মিং ককথৎপীরগা applicant No. 1 (One) না দাগকী ময়াইদা .০৮৫০ হে:, applicant No. 2 (Two) না দাগকী নোংচুপ্তা .০৮৫০ হে: অমসুং applicant No. 3 (Three) না দাগকী নোংপোক্তা .০৮৫০ হে:গী লমশিং অসি মশা-মশাগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অয়েৎ-চে পীশিনবীগদবনি অমদি নশা হজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই, কেস মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Yairipok, Thoubal District, Manipur

HL-P/10609/1

Unique Education CBSE
ꯌꯨꯅꯤꯛ ꯑꯦꯖꯨꯀꯦꯁꯟ
THE FIRST CBSE & ICSE COACHING CENTRE AT IMPHAL.
ADMISSION OPEN
5-months Foundation for CBSE & CoHSEM XI Sc. 4th June
NAVODAYA. SAINIK & Outsiders IX. X. XISc. & XIISc.
Girls Hostel in the same block
02-05-2024
5-months Foundation for CBSE class X
Van service / Boys Hostel Sega Road Konjeng Hazari Leikai. Opp Sangai Express
HL-B/8699/26/4-26/5